# টিকেন্দ্রজিৎ নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা দিভলর্পমেন্ট য়ুঠ এসোসিয়েসন মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জুন ১৭ (এস এন এস) ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসেসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ গ্রাউন্দা ককচিংদা টিম ৭না গ্রুপ–৩ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ৯ দগী চথরকপা ৩শুবা টিকেন্দ্রজিৎ নীংশিং অন্দর ১৩ বোইজ ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ মতম খরা লেপলুরবা মতুং ঙসিদগী অমুক শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–এগী লীগ মেটচতা দিভলর্পমেন্ট য়ুঠ এসোসিয়েসন (দি ৱাই এ) এলাঙখাং পোকপী মায় পাক্লুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা দিভলর্পমেন্ট য়ুঠ এসোসিয়েসন (দি ৱাই এ) অমদি ককচিং টাউন ক্লব (কে টি সি) ককচিংগা শান্নখিবা মেটচ অসিদা দিভলর্পমেন্ট য়ুঠ এসোসিয়েসন (দি ৱাই এ)না ককচিং টাউন ক্লব( কে টি সি)বু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা দিভলর্পমেন্ট য়ুঠ এসোসিয়েসন (দি ৱাই এ)গী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা ই অকাসনা গোল ১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা এম বিসাল মৈতৈনা গোল ২ চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী দিভলর্পমেন্ট য়ুঠ এসোসিয়েসন (দি ৱাই এ)না বোল হেন্না পায়রগা শান্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা ককচিং টাউন ক্লবকী ( কে টি সি) গী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চখ্দুনা প্রেসর পীশিনখি।

টিম অসিনা হোৎন্নবা লেপ্তনা গোল চন্নবা হোৎন্দুনা লাকখ্রবসু গোল দা ওন্থোকপা ঙমদবদগী অৱাবা অদু অহানবা হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৩১ দা দিভলর্পমেন্ট য়ুঠ এসোসিয়েসন (দি ৱাই এ)গী জর্সি নম্বর ৭ ই অকাসনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুববা হাল্ফতসু দিভলর্পমেন্ট য়ুঠ এসোসিয়েসন (দি ৱাই এ)না অরৈবা থাদুনা শান্নবা হৌরক্তুনা ককচিং টাউন ক্লবকী মায়কৈদা হেন্না এটেক কনশিলক্তুনা অহেনবা গোল হাপচিনলক্লবা হোৎন্নরকখি।

মদুগী মমল য়াল্লবা মহৈ অদু ফংদুনা অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৪ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ লীৎখিবা এম বিশাল মৈতৈনা ককচিং টাউন ক্লবকী গোল কিপ্পরবু মায়থিবা পীরল্লগা টিমগী অননীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা ককচিং টাউন ক্লবনা মখোয়গী মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্নরবসু গোল ওন্থোকপা য়াবা তাঞ্জাশিং অদু মাঙহনবদগী গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

মদুগী তঞ্জা লৌরদুনা দিভলর্পমেন্ট য়ুঠ এসোসিয়েসন (দি ৱাই এ)না হৈথোই শীংথোইবা মতৌদা শান্দুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ এম বিশাল মৈতৈনা মেটচকী মিনট ৫২ চৎপদা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগীনা অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসিগী মমল য়াল্লবা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মায়থিরবা ককচিং৮ টাউন ক্লবকী জর্সি নম্বর ১৭ রনবিরদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট ১ দা রেদ কাদ বুক তৌদুনা মেটচকী মপাল থোকহনখি।

মেটচ অসি চিমচিম, এস নিটলবলা, সি ঐচ সামসন অমদি টি এল অনখুল মরিংনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিটেন্ট রেফরি ১,এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা ককচিং পোপুলর স্পোর্টিং ক্লব (কে পি সি ) অমদি জুবেনাইল এসোসিয়েসন (জে এ )না গ্রুপ –এগী মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা ৱুসুগী রিগুলর কোচিং সেন্টর হাঙদোকখ্রে




ইম্ফাল,জুন ১৭ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়াস এন্দ স্পোর্টস বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা ৬ চত্থগদবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ৱুসু মশান্নগী ওইবা রিগুলর কোচিং সেন্টর বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোংদা লৈবা মঙোলঙানবী কোলেজতা হাঙদোকখ্রে।

রিগুলর কোচিং সেন্টর অসি হৌদোকপগী থৌরমদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়াস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার বিষ্ণুপুর টি ঐচ তোম্বা , বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুসু এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই রমানন্দা, এসোসিয়েসন অসিগী অতৈ ওফিস বিয়রশিং দব্লিউ সোভা, টি ঐচ নোরেল, এ স্যামচান্দ, টি ঐচ উদোইচন্দ্র, কে ঐচ কিরন, দব্লিউ ইবোহল অমদি ডা. ৱাই মনিখুমন সিংহসু শরুক য়াখি।

কোচিং সেন্টর অসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়াস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর (দি ৱাই এস ও) টি ঐচ তোম্বানা ফোঙদোকখিবদা থা ৬ চত্থগদৌরিবা রিগুলর কোচিং সেন্টর অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিংদা টি–শাঠ, দাইটনচিংবা ফংহনগনি।

হায়রিবাশিং অসি য়াসকী ডাইরেক্টরগী পাউতাক মতুং ইন্না পীগদবনি। কোচিং অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিংনা মখোয়গী পান্দমশিং অদু ফংনবা হোৎনবদা কোচিং অসিনা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

বিষ্ণু পুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুসু এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই রমানন্দনা য়াসকী ডাইরেক্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মতম কুইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা রিগুলর কোচিং সেন্টর হাঙনিংদুনা লৈরম্বা অদু মঙফাওহনবীরে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এসোসিয়েসন অসিনা ঙসি ফাওবদা ওঝা রোনেলনা ইন্টরনেসনেল ৱুসু প্লেয়র ১৬ পুথোকখ্রে। মসিদগী হেন্নসু পুথোকপা ঙম্নবা পুন্না হোৎন্নমিনসি হায়না ফোঙদোকখি।

আর সি সি অসিগী কোচ ওইরিবা এসিয়ান সিলভর মেডলিস এম রেনেল সিংহনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না য়াসতা চঙদ্রিঙৈ মতমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কাচিন কোয়াদা চৎতুনা ৱুসুগী কোচিং কয়া হাঙখি। লোয়ননা ২০১৫ দা ৱুসুগী ষ্টেট লেভেল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। ২০১৬ দগী হৌজিক ফাওবা সানচৌ ইভেনগী টিম রন্নস অপ তাদুনা লাক্লি।

মহাক্না হাঙলম্বা সেন্টরশিংদগী ইন্টনেসনেলগী থাক্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোই এম নিরুপমা, রঞ্জনা, বুধাচন্দ্র, রামেশ্বর, মঙলেমঙানবী, রোশিবিনা, এন দামু ,রনবির, অম্মজিৎ, এম কিসানি, এম ইনাও, এন সোমোকন্তা, এম দেব, এন চাউবী, ও বিদিয়াপ্তি চনু হায়রিবা শান্নরোইশিং অসি অয়াম্বনা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মেদল লৌরখ্রবা শান্নরোইশিংনি।

লোয়ননা লৈবাক অসিগী ওইনা ৱুসু মশান্নদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুসু এসোসিসেন অসিনা ইন্টরনেসনেলগী শান্নরোই পুথোকপাদা মশিং হেলমগনি হায়বদা হায়মনবা থোকলোই।

তুংদা এম রেনেলনা য়ুঠ এফিয়াস এন্দ স্পোর্টসকী ডাইরেক্টর অমষ্ট্রোং, জোইন্ট ডাইরেক্টর জ য়েন্তা, এষ্টিটেন্ট ডাইরেক্টর অমদি প্রমোদাবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# অহানবা ঙাঙোম রঞ্জন নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টদা এম এস এফ সি হৈঙাং অমদি য়ৌরবুং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (এস এন এস) ঃ য়ং বোইজ পূখাওনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী টিম ২৮ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরিবা অহানবা ঙাঙোম রঞ্জন মেমোরিয়েল মেন্স ওপন সভেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এম এস এফ সি হৈঙাং,এস কে ৱাই শীনাম , কোম য়ৌরবুং অমদি দব্লিউ এস সি ঙাইরাংবম মায় পাকখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা এম এস এফ সি হৈঙাং অমদি এফ সি লল্লাইনা শান্নখিবা মেটচতা এম এস এফ সি হৈঙাংনা এফ সি লল্লাইবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এম এস এফ সি হৈঙাংগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১৫ টি ঐচ লেলিননা মিনট ১২ তা গোল ১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১৩ কে সুরেন্দ্রনা মিনট ৩৪ চপিদা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা এস কে ৱাই শিনাম কোম অমদি ৱাই বি পি পূখাওনা শান্নখিবা মেটচতা এস কে ৱাইনা ৱাই বি পিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।

মায় পাক্লবা এস কে ৱাই শিনাম কোমগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ নেলসননা মিনট ৭ অমদি ১৪ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা ৱাই বি পি পূখাওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ এন রজুনা মেটচকী মিনট ৬ চৎপদা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা য়ৌরবুং অমদি সেক্তা (বি)না শান্নখিবা মেটচতা য়ৌরবুংনা সেক্তা (বি) বু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা য়ৌরবুংগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ৩০ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ লৈশেম্বানা গোল ১ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৮ দেনেলনা মিনট ৩৯ অমদি লৈশেম্বনা মিনট ৩৬ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা সেক্তা (বি) গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ৮ দব্লিউ বিশ্বেরনা চনখি।

ঙসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা মরিশুবা গ্রাউন্দা দব্লিউ এস সি ঙাইরাংবন্দ অমদি সাইস্কুল হিলসনা শান্নখিবা মেটচতা দব্লিউ এস সি ঙাইরাংবমনা সাইস্কুল হিলস টাউনবু গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা দব্লিউ এস সি ঙাইরাংবমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ দিঙ্কুনা মিনট ১৮, জর্সি নম্বর ৭ জেনিসনা মিনট ২৬, ৪০ দা গোল অনী অমদি জর্সি নম্বর ১৫ লেম্বানা মিনট ২৮ , ২৯ দা গোল অনী চনখি।

মায়থিরবা সাইস্কুল হিলসকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ লুমিথাংনা মিনট ১৩, জর্সি নম্বর ১৫ নাওপুনা মিনট ২৫ অমদি জর্সি নম্বর ৫ কানগৌলেননা মিনট ৪২ চৎপদা চনখি। মেটচ অসিদা দব্লিউ এস সি ঙাইরংবমগী জর্সি নম্বর ১৫ লেম্বা অমদি জর্সি নম্বর ১১ বিক্রমদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# জুদোকা থাঙজম তবাবী দেবীদা স্বার্নলতা এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৭ (এস এন এস) ঃ ৱাইরোকপম স্বার্নলতা নীংশিং ট্রস থঙ্গাপাৎ মপাল পেলেস কম্পাউন্দ ৱাইরোকপম কোলূপ ইম্ফাল ইষ্টনা হৌখিবা চহি ২০১৬ দগী লেপ্তনা স্পোর্টসকী লমদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিবা শান্নরোইশিংদা পীবা স্বার্নলতা এৱার্দ ফোর দি বেষ্ট স্পোর্টসর্পাসন (২০১৮–১৯)গী ওইনা জুদোকা থাঙজম তবাবী দেবীদা পীখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল কোকচাই মখা লৈকাইদা লৈবা থাঙজম থোয়বা অমদি থাঙজম কমলা দেবীগী মচানুপী তবাবী দেবী অসি হৌখিবা চহি ২০১৮ গী ওক্টোবর ৬ তগী ৮ ফাওবা বুইনোস এরিসতা পাঙথোকখিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল, চহি ২০১৮ গী নবেম্বর ৪ দগী ১১ ফাওবা পাঙথোকখিবা কম্মন ৱেল্‌ঠ জুদো চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড মেদল, চহি ২০১৮ গী মে ১০ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা এসিয়ান জুদো চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড মেদল অমদি চহি অসিগী হৌখিবা জনুৱারি ৩ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা সেনিয়র নেসনেল জুদো চেম্পিয়ন্সিপতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী ওফিস বিয়রশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস ষ্টেদিয়ম, ইম্ফাল ইষ্ট ওলিম্পিক ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এৱার্দ অসি থাঙজম তবাবী দেবীদা লুপা লিশিং ২০ গা লোয়ননা ট্রোফি খুৎশিন্নখি। তবাবী দেবী অসি হৌজিক– হৌজিম বেঙ্গোলোরদা ট্রেনিং তৌদুনা লৈরি।

স্বার্নলতা এৱার্দ অসিগী অহানবা ওইনা চহি ২০১৬ দা সাইক্লিস তৌরাংবম বিদিয়ালক্ষ্মীনা ফংখি।

অনীশুবা ওইনা চহি ২০১৭ দা বোক্সর শমজেৎশাবম সরজবলা দেবীনা ফংখি অমদি চহি ২০১৮গীনা নুপী ফুটবোলর ঙাঙোম বলা দেবীনা ফংখি।

# ষ্টেটকী পেনকেক সিলেট টিম ভোপালগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল,জুন ১৭ (এস এন এস) ঃ ইন্দিয়ান পেনকেক সিলেট ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২১ দগী ২৩ ফাওবা মৈথ্রা প্রদেসকী ভোপালদা পাঙথোকদৌরিবা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা পেনকেক সিলেট এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী শান্নরোই ২৩ গা লোয়ননা ওফিসিয়েল ৩ পূন্না মীওই ২৬না শবা টিম ঙসি ভোপালগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

টিম অসি আই এস বি টি খুমন লম্পাকতগী এল চাউবী নর্সিং ইনষ্টিট্যুট পোরোমপাৎকী চিয়রমেন থৌদাম ইবোতোম্বিনা লমথাখি।

ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোইশিং অদুদি এ রোহিৎ মৈতৈ (সব জুনিয়র মেন কেজি ৬৫), এ অভিজিৎ সিংহ (সব জুনিয়র মেন কেজি ৪২.৫), ৱাই প্রেমচান্দ মৈতৈ (সব জুনিয়র মেন কেজি ৫৬.৯), কে বিক্রমজিৎ মৈতৈ (সব জুনিয়র মেন তুনগাল), এস জিবন সিংহ ( সব জুনিয়র মেন কেজি ৫৫) অমদি দব্লিউ সুধির সিংহ (সব জুনিয়র মেন কেজি ৫১) নি।

আই ভেলোনিকা চনু ( প্রি–টিন ফিমেল কেজি ৩২), টি ঐচ নিরোসিয়া চনু ( প্রি–টিন ফিমেল কেজি ৩০), দব্লিউ ভূমিকা দেবী ( প্রি–টিন ফিমেল কেজি ২৭), টি ঐচ দয়ালক্ষমী চনু ( প্রি–টিন ফিমেল কেজি ৫১), ৱাই গিট মৈতৈ কেজি ৪০( দি ক্লাস), নিকোলাস, টি ঐচ কঙলৈঙানবী , এ পিয়ঙ্কা, এল য়াইফবা, এল তেলহৈবা, এ কোইবা, নিংথৌজম তেরাজ, এ টিনোই, এ তোম্থোই, পুখ্রবম ভিক্টর মৈতৈ, নিংথৌজম নন্দো অমদি নিংথৌজম হরিময়া দেবীনি।

ওফিসিয়েলদা এল রঞ্জিৎনা মেনেজর, এন রোবিন্দ্রো সিংহনা নুপাগী টিম কোচ অমদি এন জি ননাও নৱাংনা নুপীগী টিম কোচ ওইনা লুচিঙল্লি।

# অনীশুবা ইপুধৌ নোংশাবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা পান্থোইবী এফ সি লঙথবাল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে




ইম্ফাল,জুন ১৭ (এস এন এস) ঃ করাম অৱাং লৈকাই য়ং ক্লব,করামনা শীন্দুনা করাম কাঙজেবুং লম্পাক্ত মমাঙ থা ১৯দগী টিম ২০ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকপা ২শুবা ষ্টেট লেভেল ইপূধৌ নোংশাবা সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাসনেল মেটচতা পান্থোইবী এফ সি মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পান্থোইবী এফ সি অমদি ঐচ এন এস সিনা শান্নখিবা মেটচতা পান্থোইবী এফ সি লংথবালনা ঐচ এন এস সিবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাসনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিদা পান্থোইবী এফ সি লংথবালনা অহানবা হাল্ফতা গোল ২ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৪ চন্দুনা পূন্না গোল ৬ চনখি। ঐচ এন এস সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অহানবা হাল্ফতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা পান্থোসবী এফ সিনা ঐচ এন এস সিবু লাকশিন্দুনা দিফেন্সতখক মথৌ তৌহনখি।

মেটচকী হেক হৌরকপা মিনট ৩ চৎপদা ঐচ এন এস সিগী জর্সি নম্বর ৩ দিপকনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবসু পান্থোইবী এফ সিগী জর্সি নম্বর ৮ কৃষ্ণন্দনা মিনট ১১ অমদি অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা গোল হন্দোক্তুনা ১–২ দা মাঙজিল থাখি।

পান্থোইবী এফ সিনা অনীশুবা হাল্ফতসু অহেনবা গোল হাপচিলক্লবা হোৎন্দুনা হেন্না এটেক কনশিলক্তুনা গোল এটেম কয়া তৌখি। টিম অসিগী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ সোভানা মেযচকী মিনট ৩৫ অমদি ৪৪ চৎপদা চন্দুনা ১–৪ দা মাঙজিল থাখি।

পান্থোইবীনা ৪ শুবা গোল চনখ্রবা মতুংগী থংন্নবা মিনট ২ দা জর্সি নম্বর ৯ তেলহৈবনা মহাক্কী টিমগী ৫ শুবা অমদি ৬ শুবা গোল অদু চল্লগা পান্থোইবী এফ সিগী মায় পাকপগী লম্বী অদু থোনখি।

# এস দি এ য়ু ট্রোফি শান্নবা হৌখ্রে

ইম্ফাল,জুন ১৭ (এস এন এস) ঃ সোসিয়েল দিভলর্পমেন্ট এথেলিটিক য়ুনিয়ন ( এস দি এ য়ু) তেকচমনা শীন্দুনা তেকচম হায়স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা টিম ২২ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী অনীশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফি সভেন এসাইদ ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা লঙাথেল জিলা পিরিষ্কী মেম্বর সোইবম ওংবী চাউবা দেবী, সোসিয়েল দিভলর্পমেন্ট এথেলিটিক য়ুনিয়ন ( এস দি এ য়ু)গী প্রসিদেন্ট সোইবম ঘান্ধা অমসুং তেকচম গ্রাম পঞ্চিয়াদকী প্রধান লাঙপোকলাকপম ইবোয়াইমনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

অনীশুবা এস দি এ য়ু টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি ককচিং এফ সি অমদি অয়াংলৈমা তেন্থানা শান্নখিবা মেটচতা ককচিং এফ সিনা অয়াংলৈমা থেন্থাবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফংখি।

# মণিপুর ষ্টেট লীগ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জুন ১৭ (এস এন এস) ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ১৩ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯ জুলাই ১৫ দগী পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ষ্টেট লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংনা টিমশিংগী হেদ কোচশিং য়ামদ্রবদা এ এফ সি (বি) লাইসেন্স হোল্ডর ওইগদবনি। অমদি টিমশিংগী এষ্টিটেন্ট কোচশিংনা এ এফ সি (সি) লাইসেন্স হোল্ডর ওইগদবনি।

শরুক য়াগদবা টিমশিংগী শান্নরোইশিং অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন ( এ আই এফ এফ)গী সেন্ট্রেলাইস রিজিষ্টার সিষ্টেম (সি আর এস)গী মখাদা রিজিষ্টার তৌবা শান্নরোইশিং ওইগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী ইন চাজ এল জয়তেমোই রোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহনলক্লি।


APOLLO TUTORIAL CENTRE

Moulding Medical and Engineering Career

Admission Open For

**Foundation Course**
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution - Sunday & Holiday (Morning)
Facilities : Free Text Book Sets
Special Concession:
Meritorious / ST / SC / Govt. Schol / Hosteller / MOBC - Students

**Apollo - NEET (UG)**
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
Special feature :
Extensive and intensive teaching - learning system

Hostel Fee- Rs 4000/- only (Boys & Girls)
Office Timing: 7:00 am - 7:00 pm

Van Service available

Class commence : 13th June, 2019

Class commence : 1st week of July, 2019

Pliz contact : Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001

CHAOKHAT KHONGTHANG

LUCKY DRAW

| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |

6 Months Lucky Draw Started from 7th July,2019 Contribution Amount ₹ 2000/- Per month.

Last Date of form Submission 26th June,2019

অথুবগী ওইনা এজেন্ট ওইবীনিংবা মীওই খরা পামজে

Pliz Contact: 7005162621

SL / B / M / Packd.

Consolation Prizes
Mobile Handset
Telivision
Gas Frame
Mixer Grinder
Tick your choice


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com